**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 25.05.2024)**

**মেট (এল)ঃ** বঙ্গোপ সাগরদা লৈরিবা দিপ্রেসন অৰাং-অৰাং নোংপোকলোমদা পুংদা কিলোমিটর ১৫ য়াংনা চংশিল্লক্লি। দিপ্রেসন অসি নোংলৈ নুংশিৎ ওনদুনা ঙসি নুংথিল ফাওবদা বঙ্গোপ সাগরগী অৰাং থংবা অমসুং নোংপোক অমদি ময়াই থংবা মফমশিংলোমদা তপা তপা চংশিল্লক্লি। মরম অদুনা নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা বঙ্গোপ সাগরগী অৰাং নোংপোক থংবা মফমশিংদা হয়েং চংশিল্লক্কনি। হায়রিবা নোংলৈ নুংশিৎ অসি মে ২৬ কী অহিং নোংয়াইদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ ওনদুনা পুংদা কিলোমিটর ১৩৫ য়াংনা শিৎলবা য়াই হায়রি।

ইন্দিয়ান মেট বিভাগকী মেতিরোলোজিকেল সেন্টর-ইম্ফালনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা মরম ওইদুনা মনিপুরগী মফম কয়াদা হয়েংদগী হৌরগা থা অসিগী ২৯ ফাওবা অখাক অরাওগা লোয়ননা মফম কয়াদা অকনবা নোং চুরবা য়াই। হয়েং রাজ্য অসিগী মফম খরদা পুংদা কিলোমিটর ৬০ ফাওবা য়াংনা নুংশিৎ শিৎপগা লোয়ননা অকনবা নোং চুগনি। হায়রিবা মওং অসি মথংগী নুমিৎতসু অহোংবা লৈরোই।

**ক্লাইমেট (এল)ঃ** ২০২৪ -২৫ গী ওইনা ক্লাইমেট চেঞ্জ রিপোর্তিংগী মতাংদা ৫ শুবা মিদিয়া ফেলোশিংগা উন্নদুনা ৱারি শান্নবগী থৌরম অমা ঙসি খোংহাম্পাৎতা লৈবা বোতানিকেল গার্দেনদা পাঙথোকখ্রে।

রাজ্য সরকারগী ইনভাইরোনমেন্ত অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জ দাইরেক্তোরেটকী মখাদা ষ্টেট ক্লাইমেট চেঞ্জ সেল মনিপুরনা শিনবা থৌরম অদুগী মতাংদা ৱা ঙাংলদুনা দাইরেক্তোরেট অসিগী দাইরেক্তর ডা: তৌরাংবম ব্রজাকুমারনা হায়-মেট বিভাগকী মতুং ইন্না ঙসিদগী রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা অখাক অরাও

থোক্কনি হায়রি। অখাক অরাও তৌরিবা অসি ক্লাইমেট চেঞ্জকা করিগুম্বা হীরম অমত্তা মরী লৈনদে। অদুমওইনমক, অখাক অরাও তোয়শিল্লক্লবদি মদু ক্লাইমেট চেঞ্জননি হায়বা য়াই। মহাকা হায়-রাজ্য অসিগী মহৌশাদগী লৈরক্লবা লৌশিং গ্যান কৈদৌনুংদসু মেদিয়া ফেলোশিংনা কাউরোইদবনি। মহাকা হায়-মমাংঙৈদগী লৈরক্লবা অহল লম্মনশিংনা শিজিন্নরম্বা লৌশিং গ্যানশিংগা ক্লাইমেট চেঞ্জকা লৈনবা মরীগী মতাংদসু খঙনবা হোৎনগদবনি।

**ওরকিত (এল)ঃ** ইন্টরনেসনেল ডে ফোর বাইওলোজিকেল দাইভরসিতি ২০২৪ গা মরী লৈননা অনৌবা হাইব্রিদ ওরকিত মখল অনি পুথোক্লে।

ক্বাকলৈ এন্দ খোঙ্গুনমেলৈ ওরকিত প্রাইবেট লিমিটেদ ইম্ফালগী চীফ সাইন্টিষ্ট-রাজকুমার কিশ্বরনা হায়-অনৌবা ওরকিত হাইব্রিদ মখল অনি অদুদি-কৌব্রু চীং অমসুং থাংজিং চীংগী মমিং লৌদুনা রিমচাংতে মাউন্ট কৌব্রু অমসুং ভেন্দা মাউন্ট থাংজিং হায়না মমিং থোল্লে। অতোপ্পা এরিদোবেদা রাজকুমারী বাবিতা হায়না কৌবা অনৌবা মখল অমসু রেজিস্তার তৌরে হায়রি।

ডা: কিশ্বরনা হায়-রিমচাংতে মাউন্ট কৌব্রু অসি পেপিলিওনানতে ভেন্দ্রমনা অমোম ওইরগা রিংকোস্তাইলিষ্ট গীগান্তিনা লাবা ওইনা হাইব্রিদ তৌরবা মতুংদা পুথোরকপনি। ভেন্দা মাউন্ট থাংজিংনা ভেন্দা বাই কল্লরনা অমোম ওইরগা ভেন্দা ফ্লেবো ব্রুননিয়ানা লাবা ওইনা পুনশিন্নরগা পুথোকপনি। এরিদোভেন্দা রাজকুমারী বাবিতানা এরিদেস ওদোরাতা অমসুং ভেন্দা বাই কল্লর পুনশিল্লগা শেম্বনি।

**কিদনেপ (এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী খোংজোম পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ৱাংজিল সম্বল লৌকোনদা লৈবা পাউনম ব্রোজেন সিংহ প্লাই ফেক্তরিদা মেনেজর ওইনা লৈবা অসামদগী মীওই অমা অমসুং মদুদা থবক শুবা য়াওবা ককচিং জিলাগী কৈরক্তগী নুপী অমা ঙরাং নুমিদাং শকখঙদবশিংনা ফাদুনা পুখ্রে

হায়রি।

পুলিসকী পাউ পল্লদুনা ঐখোয়গী থৌবাল পাউমী-সোইবম বিনোয়না হায়-শকখঙদবশিংনা ফারুবা প্লাই ফেক্তরিগী মেনেজর ঙসি নুংথিল পুং মঙা তারমদাই অদুৱাইদা থোকচোম ভিলেজতা নোংমৈনা কাপ্লগা হুন্দোক্লল্লে হায়রি। য়াইরিপোক পুলিসনা শোক্লবা মীওই অদু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা পুখৎতুনা লায়েংলি।

**মনা-মশিং (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা মতম মতমগী ওইনা পুথোক্লিবা মনা-মশিংশিং লীদুনা থমদুনা চহি চুপ্পা অতেকপা ওইনা ফংহন্নবগীদমক এল. সিজ ফ্রোজন স্তোর ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী পোরোম্পাৎ সোইবম লৈকাইদা লৈবা এল. সিজ সুপর মার্কেটতা হাংদোকখ্রে।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়-মতম মতমগী ওইনা ফংবা মনা-মশিংগী পোৎথোকশিং মরাং কায়না ফংনবা মতমদা লৈবীনবা ৱাৎপনা অরেম্বদা মাংলিবা মনা-মশিংশিং স্তোর অসিনা লৌশিনদুনা লীদুনা থম্লগা চহি চুপ্পা মীয়ামদা অহোংবা মমলদা ফংহন্নবা পান্দমদা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি।

**ভোট(এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ওইনা লোক সভা মীখল ২০২৪ গী ভোট মশিং থিনবগী শেম শাবা লোইরে।

ঙসি পাউমীশিংদা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুন্সিগী রিটর্নিং ওফিসার টি.ঐচ. কিরন কুমারনা হায়-লাক্লিবা জন্ ৪ গী অয়ুক পুং ৮ দগী ভোট মশিং থীবা হৌগনি। নুমিৎসিগী অয়ুক পুং ৬ মখায় চপ চানা ষ্ট্রোং রুম হাংদোক্কনি। মহাকা হায়-পুন্না পোষ্টেল বেল্লোট লিশিং ৫,৫৪৫ ফংখি। অদুগা ইলেক্ট্রোনিকেল্লি ত্রান্সমিতেদ পোষ্টেল বেল্লোট সিষ্টেমনা ঙরাং ফাওবদা লিশিং ৫,৪৭৪ ওইখি। পোষ্টেল বেল্লোটশিং অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দি.সি কমপ্লেক্সতা খক্তা মশিং থিগনি।

রির্টনিং ওফিসারনা হায়-ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ওইনা পুন্না কাউন্টিং হোল ৯ লৈগনি। মহাকা হায়-ভোট মশিং থিবা অসিগা মরী লৈননা পাউমীশিংনা খুদক খুদক্কী ওইবা মীখলগী ফল খঙননবা অখন্নবা মফম অমা শেমদুনা থমলে।

অমরোমদা, ভোট মশিং থীবগী মতাংদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস.পি-কে.ঐচ.এস শিবকান্টনা হায়-ভোট মশিং থীফমদা সেক্যুরিতি লায়র অহুম লৈগনি। ভোট মশিং থীবা অসিদা পামদবা থৌদোক থোহন্দনবা আপীল তৌরদুনা পামদবা থৌদোক থোক্লকপা য়াবা অমদি চিংনবা লৈরবদি খুদক্তা পুলিসতা পাউ পীবীনবা মহাকা আপীল তৌরি।

লোক সভা মীখলগী ভোট মশিং থিগদৌরিবা অসিগা মরী লৈননা জিরিবাম জিলাগী ওইনা মাইক্রো ওবজাভর ১১, কাউন্টিং সুপরভাইজর ১১, কাউন্টিং এসিষ্টেন্ট ১১ হাপলে। হায়রিবা ওফিসারশিং অসি লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ত্রেন্নিংগীদমক রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি।

**এনিভরসরি (এল)ঃ** ভারত নীংখা তমবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা বৃটিশকী মায়োক্তা লাল হৌখিবা রাজবিহারি বোসকী ১৩৮ শুবা মপোক কুমওন ঙসি আই.এন.এ. ৱার ম্যুজিয়ম কম লাইব্রেরীদা এদভাইজরি কমিতিগা খুৎশম রগা পাঙথোকখ্রে।

অতৈ লৈবাক অমদি দিল্লি য়াওনা ওন লাইনগী খুত্থাংদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগী মতাংদা ম্যুজিয়ম অসিগী ক্যুরেচর-ডা: লাইশ্রম সধানা দেবীনা লুচিংদুনা রাজবিহারি বোসকী মীতমদা লৈ-শু কৎখি। থৌরমদুগা মরী লৈননা ডা: সধানানা হায়-রাজবিহারি বোসকী মপোক কুমওন মনিপুরদা পাঙথোকপা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। লৈবাক অসিগী নীংখা তমবা হোৎনবদা মীয়ামনা খঙহৌদ্রবা মীওই কয়ামরুম লৈরি।

**মেন্টেলঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী মঙ্গোলঙানবী কলেজ নিংথৌখোংদা হাংলিবা

রিলিফ কেম্পতা ঙসি নোংমগী ওইবা মেন্টেল হেলথ এৱারেনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু দিষ্ট্রিক্ট মেন্টেল হেলথ সোসাইতি বিষ্ণুপুর অমসুং রিলিফ কেম্প অদু চলাইরিবা সোসাইতিনা খুৎশমনা শিনবনি।

**য়ুমশারোল (এল)ঃ** য়ুমশারোলগী মতাংদা খন্না নৈনবগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী হয়িংখোংবাল উফোং য়ুমফমদা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহি শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু সিভিল ইঞ্জিনিয়ারিং দিভিজন বোর্দকী মীৎয়েং মখাদা 'দ ইন্সর্টিট্যুট ওফ ইঞ্জিনিয়রস(ইন্দিয়া)' মনিপুর ষ্টেট সেন্তরনা লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দকা খুৎশমরগা শিনবনি।

**ফোক্সঃ** ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন (ফোক্স) বিষ্ণুপুর জিলানা শিনদুনা নুমিৎ মরিনি চথুরকপা চেংগুম অমসুং কংলাইয়েন থাবগী ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম ঙসি লোয়শিনখ্রে।

থা অসিগী ২২ দগী চথুরকখিবা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম লোয়শিনবগী থৌরমদা ফোক্সকী প্রসিদেন্ট-টি.ঐচ. মনিহারনা হায়-নুমিৎ মরিনি পাঙথোকখিবা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়াখিবশিংনা অখঙ অহৈশিংনা তাকপী তম্বীখিবশিং থবক্তা ওন্থোকবা হোৎনবীয়ু। মসিদা নত্তনা মখোয়না খঙলিবা মহৈশিং অদু অতোপ্পা মীদা তাকপী তম্বীদুনা হেন্না পাকথোক চাউথোকপীনবা হোৎনবীয়ু হায়রি।

**থৌবাল (এল)ঃ** হ্যুমেন রিছোর্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেকোলোজি সেন্টর অমসুং আইসেখ থৌবালনা রি-কেয়ার স্কিলস সোলুসন প্রাইবেট লিমিটেদকা খুৎশমরগা মার্কেট, বেঙ্কিং, কেরিয়র এন্দ পাসোনেলিটি এনহাসমেন্ট হায়বা হারমদা নোংমগী ওইবা ৱার্কশোপ অমা থৌবালদা লৈবা আইসেখ হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা অখণ্ড অহৈশিংনা হীরম অসিগা মরী লৈননা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

**তমেংলোং (এল)ঃ** হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ আই.এম.পি.এ. সেন্টর মাগুলোং সেগমেন্ট-তৌসেম সব দিভিজন-তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টনা শিনদুনা নুমিৎ ২৫ নিগী ওইবা দিবলপমেন্ট এন্দ দিজাইন্নিং ট্রেন্নিং, তমেংলোং হেদক্বাটরদা লৈবা এম.কে. অখম হেন্দলুম ইন্দষ্ট্রিদা পাঙথোকখ্রে। ট্রেন্নিং প্রোগ্রাম অদুদা আর্টিসিয়ান ৩২ রোমনা শরুক য়ারি। থৌরম অদুদা শরুক য়ারিবশিংদা ফিশা-কোলশিং খুৎশিন্নখি।

**কিমাক্সঃ** কিমাক্সনা শিনদুনা চত্থরকপা মঙাশুবা ইন্টর স্কুল থাং-তা কম্পিটিসন ঙসি খুম্মন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা লোয়শিনখ্রে।

থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা স্কুল ২০ লোমদগী লাকপা মহৈরোইশিংনা মখোয়গী হৈথোই শিংথোইবা উৎখি। থৌরম অদুদা মনিপুর য়ুনিভরসিতি ওফ কলচরগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-পাউনম গুনিন্দ্রোনচিংবা শরুক য়াখি।

**ফূটবোল (এল)ঃ** ক্লাসিক ফুটবোল একাডমী-চিংমৈরোংনা সুদেব দিল্লি এফ.সিবু থোইদুনা এ.আই.এফ.এফ. অন্দর সভেন্টিন য়ুথ লিগ তাইতল লৌরে। গৱাগী নগাউ পঞ্চায়ট ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা ক্লাসিক ফুটবোল একাডমীনা সুদেব দিল্লি এফ.সিবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইদুনা তাইতল অসি লৌখিবনি।

**কাংঃ** ২৪ শুবা অরাম্বম সমরেন্দ্র নীংশিং কুমওন নোকআউট কেন্দ্রৱাইজ ওপন কাং টুর্নামেন্ট ঙসিদগী ৱাবগাই অৱাং লৈকাই কম্যুনিতি হোল কাংশঙদা হৌখ্রে। টিম তরুকা শরুক য়ারিবা টুর্নামেন্ট অসিদা এল.এস.কে. কাংখুৎ ৱাংগোই

কেন্দ্রনা পুথিবা কাংখুল-খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রবু পাঞ্জল ১৯-১২ দা থোইখি।

**কাং (এল)ঃ** অহানবা ককচিং তাবম কুঞ্জবি শর্ম্মা মেমোরিয়েল লিগ কম নোক আউট কেন্দ্রৱাইজ কাং টুরনামেন্ত ইং ২০২৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রনা হৈঙাং কেন্দ্রবু পাঞ্জল ১৮-৮ দা থোইখি।

**মীখল** ঃ তরুকশুবা তাঙ্কক্কী ভোট ঙসি শান্তি ওইনা থাদনখ্রে।

ইলেক্সন কম্মিসনগী পাউ মতুং ইন্না নুংথিল পুং মঙা ফাওবদা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৫৭.৭০ ওইখি। তাঙ্কক অসিদা লোক সভা সিট ৫৮ গীদমক মীরেপ ৮৮৯ না লম্বা তৌনরি। ঙসি মীখল পাঙথোকখিবা রাজ্য তরুক অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিং অদুদি-উত্তর প্রদেসকী সিট ১৪, হরিয়ানাগী ১০, বিহার অমসুং নোংচুপ বেঙ্গোলগী ৮-৮, দিল্লিগী সিট ৭ মক, উরিষ্যাগী তরুক, ঝরখন্দগী মরি অমসুং জম্মু কাশ্মিরগী সিট অমনি। ভোট নুংথিল পুং তরুক্তা থাদনবা লোয়খি।

নোংচুপ বেঙ্গোলদা চাদা ৭৭.৯৯ থাদদুনা খ্বাইদগী ৱাংনা ভোট থাদবগী রেকোর্ড তৌরি। ঝরখন্দদা চাদা ৬১.৪১, উরিষ্যাদা চাদা ৫৯.৬০, হরিয়ানাদা চাদা ৫৫.৯৩, বিহারদা চাদা ৫২.২৪, জম্মু কাশ্মিরদা চাদা ৫১.৩৫, দিল্লিদা চাদা ৫৩,৭৩, উত্তর প্রদেসতা চাদা ৫২.০২ নি। তাঙ্কক অসিদা ভোটর কোতি ১১ রোমনা পোল্লিং ষ্টেসন লাখ ১১৪ দা ভোট থাদনখি। সিট ৪২ লৈবা উরিষ্যা বিধান সভাগী ভোটস্ ঙসি থাদনখি।

মরক অসিদা, তরেৎশুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী ভোট খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে। বি.জে.পি. লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়-মীখল হায়বসি গনতন্ত্রগী অচৌবা কুম্মৈ অমনি অমদি তুংগী হৌরক্লিবা মীরোলশিংগী ৱাখল্লোন্দা গনতন্ত্রগী মরুওইবদু খঙহন্নবা হোৎনগদবনি।

দি.দি. (ন্যুজ) কা অখন্ননা উন্নবা অমদা শ্রী মোদিনা হায়-সরকার নৎত্রগা

রাজনিতি দলশিংনা মখোয়না তৌরিবা থবকশিং অদু মীয়ামদা খঙহন্নবা হোৎনগদবনি। মহাকা হায়-মীখল হায়বসি মীয়ামগা থেংননবগী খুদোংচাবা অমনি অমদি মীয়ামনা হুন্দুনা ঙাংলক্লিবা ৱাফমশিং অসি লুমা লৌবগা লোয়ননা মদুবু থবক্তা ওন্থোকবা হোৎনগনি।

**এৱার্ডঃ** ফ্রান্সতা চথরিবা ৭৭ শুবা কান্স ফিল্ম ফেষ্টিবেলদা ভারতকী এক্ট্রেস-অনা সুইয়া সেনগুপ্তনা ভেষ্ট এক্ট্রেস এৱার্ড ফংলে। লেমজনিংঙাই ওইরবা মনা অসি অনসরটন রিগার্দ সেক্সনদা ‘দা সেমলেস’ হায়বা ফিল্মদুদা মনা অসি ফংবনি। ফিল্ম এন্দ টেলিভিজন ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়াগী মহৈরোই সিদানন্দা এস. নায়ক অমসুং মহাক্কী টিমনা পুথোকপা ফিল্ম ‘সন ফ্লৱারস ৱেয়ার দা ফার্ষ্ট ৱান্স টু নো’ হায়বসিদা লা সিনেপ মনা ফংলে।